

# সনালৈবাক স্পোর্টস



THURSDAY, DECEMBER 10, 2015 PAGE 7


স্কৱাস মশান্নদা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোই অমা ওইনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা পোজিসন্দা লৈরিবী ৱার্ল্ড নম্বর ১৩ যৌশ্রবী জেস্না চিনাপা

২০১৫গী বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা নুপীগী শান্নরোইগী মনা ফংখ্রবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন ওইরিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিন

## রোনাল্ডোগী পাঞ্জল মরিনা রিএল মাদ্রিদ মায়পাকহনবা ঙমখ্রে মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মায়থিদুনা চেম্পিয়ন্স লীগতগী লৈহৌরে


স্বিজরলেন্দগী মালমো টিমগী মায়োক্তা পাঞ্জল মরি চন্বা ঙমখিবা স্পেনগী ক্লব রিএল মাদ্রিদকী ষ্ট্রাইকর রোনাল্ডো

*মাদ্রিদ, দিসেম্বর ৯ ঃ*

স্পেনগী মাদ্রিদ সহরদা ঙরাং শান্নখিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী গ্রুপ ষ্টেজগী মেটচ অমদা মফম অদুগী মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবা রিএল মাদ্রিদনা মালমো ক্লবপু পাঞ্জল ৮–০দা মায়থিবা পীবদা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল মরি চন্বা ঙমখ্রে । লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা জর্মনিগী ক্লব ৱোল্ফবর্গনা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু মায়থিবা পীদুনা য়ুনাইটেদ লীগ অসিদগী লৈহৌরে ।

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী গ্রুপ (এ)গী ঙরাং মাদ্রিদতা শান্নখিবা তরুকশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব রিএল মাদ্রিদনা স্বিজরলেন্দগী ক্লব মালমোবু পাঞ্জল ৮–০দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিদগী পুন্না পোইন্ট ১৬ ফংদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউত ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

মেটচ অদুদা রিএল মাদ্রিদকী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর পোর্টুগাল মচা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল মরি চন্বা ঙমখি । হায়রিবা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই ফ্রেন্স মচা কারিম বেঞ্জিমানা চহি ৫গী মতুংদা মশাগী অহানবা হেটট্রিক ফংদুনা মালমো ফুটবোল ক্লবপু য়াম্না হেনবা মওংদা মায়পাকপা ঙমখিবনি । টিম অদুগী অতোপ্পা পাঞ্জল অদু মেতাও কোবাসিকনা চনখিবনি ।

গ্রুপ (এ) দা ঙরাং পেরিস সহরদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা পেরিস সেন্ট জরমেন্না য়ুক্রেনগী শাক্তর দোনেটসপু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ (এ) দগী পেরিস সেন্ট জরমেনসু প্রি ক্বার্টর নোক আউত ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি ।

গ্রুপ (বি)গী ঙরাং শান্নখিবা তরুকশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জর্মনিগী ক্লব ৱোল্ফবর্গনা ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা ৱোল্ফবর্গনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইখিবতা নত্তনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউত ষ্টেজ য়ৌবগী লম্বেলদগী ইন্থরমখি ।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী পি এস ভি ইনহোবিন্না রুসিয়াগী ক্লব সি এস কে এ মোস্কোবু পাঞ্জল ২–১দা মায়থিবা পীদুনা ইনহোবিন ক্লবসু প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউত ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি ।

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী গ্রুপ (সি) গী ঙরাং পোর্টুগালগী সহর লিজবোন্দদা লৈবা ষ্টেদিয়ম দা লুজদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা বেনফিকাবু স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদনা পাঞ্জল ২–১দা মায়থিবা পীদুনা স্পেনগী ক্লব অসি লীগ অসিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউত ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি ।

মায়থিখিবা ক্লব পোর্টুগালগী বেনফিকা ক্লব মেটচ ৬ শান্নবদা পোইন্ট ১০ ফংবদগী মখোয়সু নোক আত ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি । গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা টার্কিগী ক্লব গলাষ্টাসারে অমসুং কজাক্সটানগী ক্লব অষ্টানাগা শান্নবগা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎপদগী টিম অনিমক নোক আউত ষ্টেজ য়ৌবা ঙম্লরোই ।

গ্রুপ (দি) ঙরাং ইংলেন্দগী সহর মেঞ্চেষ্টরদা শান্নখিবা তরুকশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা জর্মনিগী ক্লব বোরুসিয়া মোঞ্চেন্গ্লবাগপু পাঞ্জল ৪–২দা মায়থিবা পীদুনা সিটি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউত ষ্টেজ য়ৌখি। মখোয়না মেটচ তরুক্তা পোইন্ট ১২ ফংখিবনি ।

অদুগা মাংজৌননা পোইন্ট ১১ ফংদুনা লৈরিবা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টস স্পেনগী ক্লব সিবিলাগা শান্নবদা মায়থিরবসু নোক আউত ষ্টেজ য়ৌবা ঙম্লি ।

## দিল্লিনা নদাল–ফেন্দররগী মেটচ ঙাইদুনা লৈরি


নিউ দিল্লিনা খৌরাংনা ঙাইরিবা ফেন্দরর অমসুং নদাল

*নিউ দিল্লি, দিসেম্বর ৯ ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী টেন্নিস শান্নরোই অমা ওইনা মমিং লৈরবা মহেশ ভুপাটিনা লমজিংদুনা শিল্লকপা ইন্টর্নেসনেল প্রেমিয়র টেন্নিস লীগক্কী অহুমশুবা লেগকী মেটচ অমদা টেন্নিসকী মালেমদা মমিং লৈরবা নুপাগী শান্নরোই স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেন্দরর অনিনা লম্বা তৌগদৌরিবা মেটচ অদু নিউ দিল্লিগী ভাবোকশিংনা খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরি ।

টেন্নিসকী গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৮ লৌবা ঙম্লবা স্বিজরলেন্দগী শান্নরোই রোজর ফেন্দরর অমদি ক্লে কোর্তকী লম্বা লৈত্রে হায়না লৌনরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা থা অসিগী ১২দা নিউ দিল্লিগী লেগতা লম্বা তৌনগদৌরিবনি ।

স্পেনগী রাফেল নদালনা ইন্দিয়াগী টিম অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান এসেসকী মায়কৈদগী শান্নদুনা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস রোয়েলগী টিমদা শরুক য়ারিবা ফেন্দররগা নিউ দিল্লিদা শান্নগদৌরিবনি ।

ইন্টর্নেসনেল প্রেমিয়র টেন্নিস লীগ অসিনা মালেমগী টেন্নিস শান্নরোই অফবা পুথোকপা ঙম্বা লৈবাকশিংদা নত্তনা টেন্নিস মশান্নবু হেন্না পাম্নবগীদমক্তা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমদা ইন্দিয়াগী মহেশ ভুপাটিগী হোৎঞ্জমন অসি মায়পাক্লে হায়বা য়াই ।

লীগ অসি মালেমগী ওইনা লৈরিবা নুপা অমসুং নুপীগী টেন্নিস টুর্নামেন্টকী চহিগী ওইবা কেলেন্দর কাইহন্দনা মশান্না অসিবু য়োকখৎপা অমদি শান্নরোইশিংগী ওইনসু শান্নবা মখা তানা লৈহন্নবগীদমক ইন্টর্নেসনেল প্রেমিয়র টেন্নিস লীগ অসিনা চাওনা মতেং পীরি ।

ইন্টর্নেসনেল প্রেমিয়র টেন্নিস লীগ অসিদা মালেমগী ওইনা য়ং য়ং লাওনা শান্নরিবা শান্নরোই কয়াগী পুক্লিং চিংশিন্বা ঙম্লি । ইন্দিয়ান এসেসকী টিমগী দবলসকী কাংলুপ্তা নুপীগী ওইনা সানিয়া মির্জা অমসুং নুপাগীদা রোহন ভোপুনা শরুক য়ারি ।

হায়রিবা টিম অসিদা রাফেল নদালসু শরুক য়ারিবনি । অমরোমদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা দবলসকী শান্নরোই রিএন্দর পেসনা জপান ৱারিয়র্সকী টিমদা শরুক য়ারি ।

## ইন্দো–পাক ক্রিকেট থা অসিগী ২৪দগী হৌরবা য়ারি


বি সি সি আইগী সেক্রেটরি অনুরাগ ঠাকুর (য়েৎ) অমসুং ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেটকী চিয়ারমেন সুক্লা

*কারাচি, দিসেম্বর ৯ ঃ*

মালেমগী ক্রিকেটকী লমদা মমিং লৈরবা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক ওইরিবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান্না লৈবাক অনিগী তোঙানবা হিরমদা নুংঙাইনদবা লৈরকখিবা মরমনা মশান্না অসিদা লৈবাক অনিগীদা ওইবা ক্রিকেট সেরিজ শান্নরক্তবা চহি ৮ ফজিল্লক্লবা অসিগী মতুংদা নৌহৌননা ক্রিকেট সেরিজ পাংথোক্লনবা লাক্লরকপদা চৎলিবা থা অসিগী ডিসেম্বর ২৪ দগী মথং চহিগী জনুৱারী ৫ ফাওবা অতেনবা লৈবাক অনিগী ওইবা ক্রিকেট সেরিজ অমা পাংথোক্লবা য়াই হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লিখুন অমা ফোংদোরক্লি ।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান্না ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মতুং ইন্না ক্রিকেট শান্নবগী কেলেন্দরদা তোঙান তোঙানবা সেদ্যুল লৈখিবা মরমনা লৈবাক অনিগী মরক্তা নৌহৌননা শান্নগদৌরিবা সেরিজ অসি শ্রিলঙ্কানা য়ুম্বু ওইরগা পাংথোক্লবা য়ারি হায়না লিখুন অসিনা মখা তারি ।

ঙসি পাকিষ্টান্দা চৎখিবা ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিপকা উন্নখিবনি । অদুবু ক্রিকেটকী ওইবা ৱারোইশিন অমদি মীয়ামদা ফোংদোকপা লৈখিদ্রি ।

মরক অসিদা পাকিষ্টানগী ক্রিকেট বোর্দকী প্রসিদেন্ট সহায়ার খান্না ফোংদোরকপদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা ক্রিকেট সেরিজ অমুক নৌহৌননা হিঙ্গৎহন্নবগী খোঙথাং অদু মমি শামজিল্লক্লি হায়না ফোংদোরক্লি ।

খান্না মখা তানা ফোংদোরকপদা সুস্মা স্বরাজগী খোঙচৎ অদুনা লৈবাক অনিগী ক্রিকেটকী অনৌবা মায়োন অমা পুরক্কনি হায়না খল্লম্বা অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অচুম্বা লম্বেলদা লাক্ত্রি ।

নিংশিংবা য়াবদি মমাংদা য়ান্নখিবগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান্না চৎলিবা চহি ২০১৫তগীনা ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা বাইলেটরেল ক্রিকেট সেরিজ তরুক শান্নবগী য়ান্নবা লৈখিবনি । মদুগী মনুংদা পাকিষ্টান্না সেরিজ তরুক য়ুম্বু ওইগদবনি ।

২০০৭দা লৈবাক অনিনা ইকোন কোন্বা ওইনা বাইলেটরেল ক্রিকেট সেরিজ শান্নখি । মদুগী থংনবা চহিদা মুম্বাইগী টেরোরিষ্ট এটেক্ট অদু পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা মিলিটেন্টশিংননি হায়বগী ৱাফমদগী বাইলেটরেল ক্রিকেট সেরিজ লেপখিবনি ।

অদুবু ২০১২দা পাকিষ্টানগী ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা লাক্কুনা অতেনবা ৱান দে সেরিজ অমগী টুর তৌরমখি । পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দকী মায়কৈদগীদি ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নবা পাম্বগী ৱাফম অদুমক লৈরি। অদুবু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লৈরিবা ফিভম অসিদা সেরিজ ওইথোকপা য়াবা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎলক্তবা অসিদা নুংনাংবা ফাওরিবনি ।

## লন্দন চেছ ক্লাসিক্কী মঙাশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বিস্বনাথন অনন্দনা বলগেরিয়াগী বেসেলিন তোপালোপপু থোইখ্রে


মঙাশুবা রাউন্দদা তোপালোপপু থোইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী অনন্দ

*লন্দন, দিসেম্বর ৯ ঃ*

য়ু এস দোল্লর ৩০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা লন্দন চেছ ক্লাসিক টুর্নামেন্টকী মঙাশুবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক উবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিস্বনাথন অনন্দনা বলগেরিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বেসেলিন তোপালোপপু মায়থিবা পীখ্রে ।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী শান্নরোই নাকামুরাগী মখুত্তা মায়থিখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী অনন্দনা মঙাশুবা রাউন্দদা মহাক্না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবগী টাইটল মেটচ অমদা চেলেঞ্জর ওইখিবা বলগেরিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বেসেলিন তোপালোপকা লম্বা তৌনরকপদা মায়পাকপা ঙমদুনা চখরিবা লন্দন চেছ ক্লাসিক টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা রাউন্দ লোয়শিল্লকপদা মালেমগী মকোক থোংবা চেছ শান্নরোই ১০না লম্বা তৌনরকপদা পোইন্ট ২.৫ ফংদুনা অনিশুবা পোজিসন্দা শান্নরোই তরুক্কা পুন্না লৈমিন্নরি ।

অনন্দ অমসুং তোপালোপনা শান্নখিবা মঙাশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌরকপদা শান্নরোই অনিনা অকনবা প্রেসর পিনবা ঙম্নখিদ্রবসু গেম অদুগী ময়াই চনশিল্লকপদা খুৎলাই শিন্দোক্কুনা মখা তারকপদা অনন্দনা পোজিসন খরা ফজবা ঙমখি ।

অনন্দনা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নরকখিবা মেটচ অদু লোয়শিল্লকপদা নাইট অমগী মপাঙ্গল অহেনবা লৈখিবদগী খুদোংচাবা হেনগৎলকখি । দ্রো চৎননবা হোৎনরকখিবা বলগেরিয়াগী শান্নরোই তোপালোপ ইন্দিয়াগী অনন্দনা পোন অমা হেনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মঙাশুবা রাউন্দ অদুগী ৭৪ শুবা মুভতা তোপালোপ উপাই লৈতবদগী মায়থিবদা য়াজখি ।

চখরিবা লন্দন চেছ ক্লাসিক টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী গ্রান্দ মাষ্টর মেক্সিম লাগ্রেব অমসুং নেদরলেন্দসকী গ্রান্দ মাষ্টর অনিস গিরি মমাংগী রাউন্দদা পোইন্ট ২.৫ / ২.৫ ফংনদুনা লৈরকপা অদু ঙরাংসু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩ / ৩ ফংনবা ঙমখি ।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী অনন্দবু মরিশুবা রাউন্দদা মায়থিবা পীরম্বা য়ু এস এগী হিকারু নাকামুরানা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ইংলেন্দগী শান্নরোই মাইকেল অদামসকা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩ ফংবদগী লাগ্রেব অমসুং গিরিগা লোয়নননা মহাকসু পোইন্ট ৩ ফংবদগী মাংজিল থামিন্নরি ।

## ষ্টেট লেবেল ফুটবোল

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ৯ ঃ*

টি ঐচ বিরাচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমীনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৫দগী নুপামচাগী চহি ১০ অমদি ১৩ মখাগী ষ্টেট লেবেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাংথোক্লগনি হায়না একাদেমী অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেস্তা পীরকপা চেরোল অমনা খংহল্লক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী তৌবুংখোক মখা লৈকাইদা লৈবা এদাদেমী অসিগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নুপামচাগী চহি ১০ অমদি ১৩ মখাগী টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২৫ দগী হৌগদৌরিবা অসিদা চহি ১০ মখাগী ওইনা ৱিন্নর ওইরবা টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ১২,০০০ অমসুং রোলিং ট্রোফি পীগদৌরি । রন্নর্স অপতনা লুপা ৮,০০০ অমদি রোলি ট্রোফি পীগনি হায়রি ।

অমরোমদা চহি ১৩ মখাগী টুর্নামেন্ট অদুগী ওইনা মায়পাকপা টিমগী ওইনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ১৫,০০০ অমসুং রোলি ট্রোফি অদুগা রন্নর্স অপ টিমদা লুপা ১০,০০০ অমসুং রোলি ট্রোফি পীগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি ।

কাংলুপ অনিমক্তা শেলগী মনা ওইনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই, খ্বাইদগী পাঞ্জল চন্বা ঙম্বা শান্নরোই, খ্বাইদগী ফজবা গোলকিপর অমদি তুংগী আশা লৈবা ফজবা শান্নরোইশিংদা ট্রেফিগা লোয়নননা লুপা লিশিং অমমমগী শেলগী মনাসু পীগনি হায়না টি ঐচ বিরাচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমীগী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

## সুপর সেরিজদা ইন্দিয়াগী সাইনা অমসুং স্রিকান্তনা লুচিংগদৌরি

*ডুবাই, দিসেম্বর ৯ ঃ*

য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী সহর ডুবাইদা ঙসিদগী হৌরিবা বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসনগী সিজনগী লোয়শিল্লকপা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সুপর সেরিজ ফাইনেলসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৱার্ল্ড নম্বর টু শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অমসুং নুপাগী মায়কৈদা কিদম্বী স্রিকান্তনা ইন্দিয়াগী টিমবু লুচিংগদৌরি ।

বেদমিন্টন মশান্নগী দিসিপ্লিন মঙাগী মনুংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা সাইনা নেহৱাল অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা কিদম্বী স্রিকান্তনা শরুক য়াবা ঙম্বা অসি নত্তনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোই কয়া ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি ।

নিংশিংবা য়াবদি মমাংগী থাদা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবাক চাইনাগী লি জুরোইগী মখুত্তা মায়থিখিবা অদুগী মতুং হোং কোং সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী সাইনা নেহৱাল খুবোম শোকপদগী য়াওবা ঙমখিদবনি ।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোই ওইরিবা কিদম্বী স্রিকান্তনা হন্দক্তা লোয়শিনখিবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্সকী ফাইনেল য়ৌখিবা অদুনা সুপর সেরিজ ফাইনেল অসিদা মহাক্কী অহেনবা থৌনা অমা লাক্কদৌরি । সাইনা অমসুং স্রিকান্ত মমাংগী ইদিসন্দা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি ।





